# মণিপুর পুম্বা ওপন দিফিকেসন ফ্রি ষ্টেট লাওথোক্লগনি ঃ এন বিরেন

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ ঃ লাক্লিবা ওক্টোবর ২ জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক নুমিত্তা মণিপুর পুম্বা লমহাং তুহাংদা খোঙ হামদবা, অমাং অশোয় তৌদবা (ওপন দিফিকেসন ফ্রি) ষ্টেট ওইরে হায়না লাওথোক্লগনি ।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটতা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মাহুদ দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা স্বাছ সর্ভেক্ষনগী ঠিম সোং, গুগল তৈইলেট মণিপুর অমসুং স্বাছতা এপ লোঞ্চ তৌবগী ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী স্বাছ ভারত অভিয়ানগী মখাদা লমদম অসিদা লৈরিবা সিতিশিং অসি শিৎপা শেঙবা অমসুং তরু তন্নান্না থম্বদা নত্তনা মতমগা চুনরবা তেক্নোলোজিশিং শিজিন্নদুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা ঐখোয়গী অকোয়বা তরু তান্নরা থম্নবা অমসুং লুবা নানবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা পান্দমদা অমসুং সোফ্ট ৱেয়ার এপ্লিকেসন কয়াগী খুখাংদা তরু তান্নবা সিতি ওইহনবদা মতেং পাঙনবগীদমক ঙসিগী এপশিং অসি হৌদোকপনি।

স্বাছ সর্ভেক্সন ২০১৯ সর্ভে অসি মপুং ওইনা টাউনশিং অমসুং সিতিশিং অসি লৈবদা নুংঙইবা মফম অমমম ওইহন্নবা হোৎনবদা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক পুন্না হোৎনমিন্নবগী ৱাখল্লোন অদু শেমগৎপগা লোয়ননা পুন্না খঙমিন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং নি। সর্ভে অসিনা টাউনশিং অমসুং সিতিশিংগী মরক্তা হেন্না তরু তাননবা সিতি ওইহন্নবা সর্ভিস ফংহন্নবগী থবক্তা মীৎয়েং থল্লিবনি।

মসিগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মুদা অমসুং মাহুদ দিপার্টমেন্টনা ঠিম শোং অমা পুথোকপনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ঙসি হৌদোক্লিবা গুগল তোইলেট লোকেটর অসিগী মতেংনা খ্বাইদগী নকপা মফমদা লৈবা তৈইলেট অমা থিদোকপা য়াগনি অমসুং মদুদা মী লৈ লৈতে হায়বা ফাওবা খঙদোকপা য়াই।

মীয়াম্না গুগল তোইলেট লোকেটর অসি গুগল তোইলেট মণিপুর হায়না গুগলদা চংবা মতমদা খ্বাইদগী নকপা তৈইলেটশিং উবা ফং লগনি।

স্বাছতা এপ অসি শিজিন্নদুনা ম্যুনিসিপাল নৎত্রগা নগর পঞ্চায়টকী এরিয়াদা অমোৎ অকায়শিং চায়খায়দুনা লৈরম্বা মতমদা মদু ফোটো কাপ্লগা অপলোদ তৌবদা মনাক নকপা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কয়া য়াম্না মদুদা রেস্পোন্দ তৌই হায়বদুসু খঙবা ঙমগনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী ওইনা পুন্না সিতি ৪০৪১ স্বাছ সর্ভেক্সন অসিদা য়াওদুনা কম্পিতিসন তৌগদৌরিবনি। লুবা নানবা হায়বসি ঐখোয় ইশাগীনি। মসিনা ঐখোয় ইশা য়াওনা কান্নগদৌরিবনি। মরম অসিনা কেম্পেইন অসিদা ঐখোয়না ইশা য়াওনা মতেং পাঙসি হায়খি।

হন্দক স্বাছতা হি সেবাগী মখাদা লমদম অসিদা লৈবা স্কুল কলেজ শিং, দিপার্টমেন্টশিং তরু তানননা থম্নবা থবক লৌখৎলকপা অসি থাগৎলি। মরম অসিনা মীয়াম্না সিতি, টাউন অমসুং লৈকাইশিং অসি পুন্না চঙশিনমিন্নদুনা তরু তানবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

লমায় ১ গী মখা

# ইরাবত স্কোৱারগী উরেপ উয়ুং তম্বগা লোয়ননা মথং চহীগী...

কাইনা পুথোকপা হায়বা পান্দম অসি ফঙনবা লেপ্তুনা থবক চঙশিল্লি হায়খি।

লোক্তাক পাৎকা নরুবা লৌফম নৎত্রগা ঙাগী ফাম শেমগৎপা য়াবা লম একর লিশিং ১ রোমদা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মতম শাংনা হাংদুনা লৈরম্বা লম্ফাং কয়া শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎতুনা লুচিংবা অসিনা পান্নম্বা ৱাখল্লোল অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। মসিদা লমদমসিগী থবক শুনিংবা হৈথোই শীংথোইবা নহারোলশিংনা মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু। মোদেল ষ্টেট ওইনবা চঙশিল্লিবা থবক্তা মীয়াম্নসু মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হিজম ইরাবতপু তোমথিনবা ওইবা লুচিংবনি হায়না শীংথারদুনা মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখল জয় তৌবা ঙম্বা ওর্গনাইজে স্নেল স্কিল লৈবা লুচিংবা অমনি হায়না শীংথাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হিষ্টরিয়ান প্রো. এন জয়কুমার সিংহ, ইরাবত ফাউন্দেসনগী কেঐচ নিশিকান্ত, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রো. এন লোকেন্দ্র অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এডিটর প্রদিপ ফঞ্জৌবমনা ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক্কী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

হন্দক পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চথখিবা অদুদা ইম্ফালগী কৈশম্পাৎ থোকচোম লৈকাইদা জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপনি চীংনবশিংনা ওটো রিক্সো অমা মৈ থাখিবা অদুগী কম্পেনসেসন ওইনা ইরেংবম ময়াই লৈকাইদগী টিঐচ রোজেন সিংহদা লূপা ১৬,৯০০ থৌরম অদুদা শীন্নখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর, এমএলএশিং চীফ সেক্রেটরী য়াওনা সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

# মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা মপুং ফানা...

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দদা ১২২ শুবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম মাচ পাসকা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি রাজানা হায়, মণিপুরদা ইশু কয়া অমা লৈরি। মসিগী মনুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অসি মণিপুর খক্তগী নত্তনা ভারত পূম্বগী ইশু অমা ওইরক্লি। মণিপুরগী ঙমখৈদা চয়েৎনবা, অপুনবগী শক্তমদা শীংনরক্লিবা, চাওখৎপগী লমদা শোথরক্লিবা কয়া অসিদা মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজংশিংদা সিপিআইনা শৌগৎতুনা লাক্লি অমদি মখা তানসু শরুক য়াগনি।

মণিপুরগীতা নত্তনা ইন্দিয়াগী হৌজিক ওইরিবা রাজনিতিগী ফিভম অসি য়াম্না মওং তাদবা অমা লৈরক্লি। বিজেপিনা লূচিংবা সরকার অসি সাসন লৈত্রবা অমনি হায়বসি তাকচরে। থবক পাঙদনা প্রোব্লেম হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়াগী পৈশাগী ভেল্যু অসি য়াম্না হন্থখ্রে। পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবনা মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংদা চাওনা চৈথেং পীরি। মায়থিরবা মোদিনা লুচিংলিবা সরকার অসি মীয়াম্না হন্দক্কী ইলেক্সনদা চৎহনখ্রসি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ভারতনা মহাত্মা গান্ধীবু লৈবাক অসিগী মপানি হায়না পালন তৌবগুম ষ্টেট অসিদা হিজম ইরাবতকী পালন তৌবসি উরগা কম্ম্যুনিষ্টি অমা ওইনা চাওথোকপা পোকই। মহাক মণিপুরগী খক্তা নত্তনা ভারতকী অওনবা পুরকপা লুচিংবনি হায়না শীংথাখি।

ডা. এম নরানা হায়, মীনা মীবু ওৎলবা, মান্নবা খুন্নাই অমগী মঙলান মঙলম্বা ইরাবতবু নীংশিংদুনা আইসিসিনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু ঙসিদি মহাক্কী মগুন অসি শকখঙবীদুনা মণিপুরগী মপান অমদি মনুংদা লূপ কয়ানা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লরক্লি। চহীসিদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থৌরম অসি ষ্টেটকী থাক্তা পুখৎপা হৌরকপা অমদি ইরাবতকী মিতম শেমগৎনবা উরেপ উয়ুং তম্বনচিংবা কয়া পায়খৎলকপদা আইসিসিনা নুংঙইবা ফোঙদোকখি।

হন্দক চহীগী ওইনা থিয়াম মেঘচন্দ্র জর্নেলিষ্ট এৱার্দ আইএসটিভিগী দেক্স এডিটর থিয়াম রিচার্দ রঞ্জনদা পীখি, হিজম ইরাবত এৱার্দনা ডা. অরাম্বম লোকেন্দ্র থিয়েটর দাইরেক্টরদা, থোকচোম অচৌবা ইন্টিগ্রিটি এৱার্দনা নীংথৌজা লানচাদা, হিজম অচৌ শীনমী এৱার্দনা সোরাইশম ইবোতোম্বীদা, ওজা নোংথোম্বম ইবোতোন টিচর্স এৱার্দনা খাঙগেম্বম ইন্দ্রকুমারদা, খোঙজ্রাকপম মনি দ্রাইভর এৱার্দনা থৌনাওজম রতন অমদি লাইশ্রম রাম সিংহ ট্রেদ য়ুনিয়ন এৱার্দনা আসা, অঙ্গলৱাদি অমদি মিদ দে মিলগী স্কিম ৱার্কসশিংদা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উংখি। লোয়ননা ইরাবত এন্দ লেফ্ট মুভমেন্ট ইন মণিপুর হায়বা লাইরিক অমসু ফোঙখি।

থৌরম অদুদা ইরাবতকা লোইনরকপা এম ইবোহল সিংহ, সিপিআইগী ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার, লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট টিঐচ শখি দেবীনচিংবা মরু ওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# নিষাগী মায়োক্তা লেপ্লসি হায়না মৈরা রেল্লি...

লৌখৎলম্বা থৌদাং অদুবু খুদুংইনবা ওইনা ঙসিগী রেল্লি অসি পাঙথোকপনি।

চহী লিশিং ২ হেন্না পুৱারী লৈজরক্লবা, চাবা থকপা ৱাৎতবা, নীং–খা তম্না পাঞ্জরকপা, ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরনি। ইশাগী শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্লোন, চৎনরোল, ইনাৎ লাইনিং লাইশোন, ইয়েক লৈজরম্মী হায়বসি ঙসি কাউথোক্নরক্লে।

ফমদৌ ৬৪গা লোয়ননা লৈঙাক্তুনা, নিংথৌ পান্দুনা লৈজরম্বা ঐখোয়গী লমদমনি। অদুবু ঙসিদি লোয়নমক মাংখ্রে। পুৱারীগী ইচেল থৈথরকপদগী পরম লান্না চৎলুবদগী। মিপাল তাংদুনা হিংলে হিরম খুদিংদা ইশাগী ওইবা পোৎথোক পুথোক্লবা ইন্দষ্ট্রি মরাং কাইনা লৈজদে, রো মেটেরিয়েল মরাং কাইনা লৈতে মসিদা হিংবগী মহাও করিনো। ইশাগী চিঙ্গাক্কী কৈথেল, পোথোক্কী মমল পোথোক পুথোক্লিবা লৌমীনা লেপচবা ঙমদে। পোথোক্কী করবার তৌরিবা মিদল মেন কাংবুনা লেপ্লি। লমদমসিগী লৌমী অমদি শিন্মী পুন্নমক শুর শুরগা লায়রা তানবা নোম্বা মখে নোম্লগা কোঞ্জেং কোকফাইনা মনঙ্গলদা মরুম থুবগা চপ মান্নরে। মসি করিগীনো অমদি করিননো হায়বসি ফিরেপ অমা লৌমিন্নদুনা থিদোকমিন্নবা চংই।

কুমজা ১৮৯৬ সেপ্তেম্বর ৩০দা পোকখিবা, কুমজা ১৯৪৮গী সেপ্তেম্বর ২১দা মীরোৎ ওইখিবা, কুমজা ১৯৫১গী সেপ্তেম্বর ২৬তা ব্রহ্মগী তাংবোদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা তুংদা থোরক্কদবা খুদিং মাংজৌননা উবা ঙম্সপা লুচিংবা লময়ানবা ইরাবতনা অওনবা, অনৌবা নরং তম্বা মণিপুর অমগী মাঙলান অমা মংজরম্মী। মহাক্না নৈহৎপিরবা খুনাই অসিগীদমক পাংথোক্লম্ব থবক, লৌরম্বা থৌদাংশিং শিংথাদুনা লোয়বা নাইরোই। শান্নরোই অমা ওইনা জনের্লিষ্ট অমা ওইনা, অইবা অমা ওইনা, অর্টিষ্ট অমা ওইনা, শৈশকপা অমা ওইনা ওর্গনাইজর অমা ওইনা অমদি সোসিয়েল রিফোর্মর অমা ওইনা করিগীদমক কনাগীদমক হায়বসি ঐখোয়না ঐখোয়গী থম্মোয়দা হংজসি।

হৌজিক্তি তাঙ্কক অদু লাক্লিবনি ঐখোয় মশেল পুন্সিন্দুনা অফবা হকচাং ফবা, মতিং লৈবা, মথৌনা লৈবা লাইরিক লাইশু হৈবা পারি ইমোম শেমগৎতুনা মাংখিগদৌরবা মুৎখিগদৌরবা ইরমদম অসি কলহৌরসি। অমদি লমদমসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মমা মপা ওইবশিংনসু তেংবাংবগা লোয়ননা শৌগৎপিয়ু।

অফবা খুন্নাই অমগীদমক অফবা চিঙ্গাক চাসি ,ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাদুনা ইশাগী পুন্সি মাং হনগুমসি, মীয়াম পুন্নমক নিষাগী ইপাক্তগী কলহৌরসি, নিষা হায়বসি থিহৌদ্রবদি ঐখোয়গী মীরোল মুৎখ্রগনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি ঙসি লৌত্রাকপম লৈকাই, অখাম লৈকাই অপুনবা নুপী লুপনা থমজদুনা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং নুমীৎসিদগী থবক ওইনা ওন্থোকপা হৌজরে হায়না চেরোল অদুনা মখাতাখি।

লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নৈনশঙ ক্লবতা ইরাবতকী পুন্সি ৱারীদা য়ুমফম ওইরগা ক্যুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# এডুকেসনবু শেন্দানফম ওন্থোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনরক্লিঃকেএসএ

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ ঃ মহৈরোইশিংগীদমক অখাকপা লৈতনা থম্মোয় শেংনা হোৎনজরিবা ওঝা হায়বসিগী ৱাহন্থোক খঙদবা অমদি শিনফম অসিগী মগুণ চেন্দবা মীওই কয়ানা স্কুল লিংখৎতুনা হ্যুমেন রিছোর্স শাগৎপগী মিংদা এডুকেসনবু শেন্দানফম ওন্থোকপা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েস (কেএসএ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এস বিদ্যানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা তোঙান–তোঙানবা এজেন্ট কয়া থাদোক্তুনা মহৈরোই কয়াবু পাস তৌহনগনি হায়দুনা য়াম্লবা শেনফম কয়া খোমগৎতুনা লাক্লি। অসিগুম্বা এজেন্ট কয়াগী লাংদা থুরবা নৎত্রগা মচাবু অরানবা মায়কৈদা পুদুনা অরানবা পাম্বৈনা একজামদা কোম্না পাস তৌহনগে খনবা মমা–মপা কয়ানা অসিগুম্বা অরানবা পাম্বৈনা মচাশিংবু মার্ক ৱাংনা একজাম পাস তৌনবা হোৎনবা হেনগৎলক্লি। মতম অমদা সিবিএসই স্কুলগী এজেন্ট কয়ানা মহৈরোইশিং একজাম ফমহন্দনা পাস তৌহনবা, অশাবা সার্টিফিকেট পীরম্বগী ৱাথোক কয়া থোক্লকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রবা মতুংদা হৌজিক্না আসাম সংস্কৃট বোর্ড, উর্দু বোর্ড অমদি অতোপ্পা মখলগী বোর্ড কয়াদা একজাম থাহনগনি হায়দুনা য়াম্লবা শেনফম খোমগৎপা মীওই কয়া লমদম অসিদা লৈরে। লুরিবদি হায়রিবা বোর্ডশিং অসিনা ইশু তৌবা সার্টিফিকেটশিং ষ্টেট অসিদা চৎনবা নৎত্রগা চৎনদ্রবরা হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমা লৈরি। অসিগুম্বা বোর্ডশিং অসিদা পাস তৌরকপা মহৈরোই কয়া মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কলেজ কয়াদা মিং চনখ্রে হায়বা লূপ অসিনা খঙবা ঙম্লে। অদুবু কলেজ খরদদি অসিগুম্বা মখলগী বোর্ডশিংদগী পাস তৌরকপা মহৈরোইশিং মিং চনবদা অয়াবা পীদ্রি। মসিনা মরম ওইদুনা হায়রিবা বোর্ডশিং অসিগী মথক্তা কুপ্না থীদোকপগা লোয়ননা মওং–মরিল তাদবা ওইরবদি মখোয়গী সার্টিফিকেট অসি লমদম অসিদা চৎনহন্দনবা খোঙথাং মরী লৈনবশিংনা পায়খৎপিয়ু অমদি মীয়ামদা লৈরিবা চমন্নবশিং অসি মরী লৈনবশিংনা শেংদোক্তুনা কোকহনবনা চুমগনি হায়রি।

অমরোমদা মরী–মখোঙ খঙদবা বোর্ড ময়াম পুশিন্দুনা মহৈরোইশিংবু কোম্না অমদি মশা য়াওহন্দনা পাস তৌহনগনি হায়না মহৈরোই অমদি মমা–মপাশিংদগী য়াম্লবা শেনফম খোমগৎলিবা এজেন্টশিং অসি থিদোক্তুনা মতিক চাবা চৈরাক পীহৌদ্রবদি খুন্নাই অসিগী মাং–তাক্লিংঙাই ওইরক্কনি। হায়রিবা এজেন্টশিং অসিগী মনুংদা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরগী মখাদা এফ্লিয়েসন তৌদুনা চলাইরিবা স্কুলশিংগী মীওইসু য়াওরে হায়বা ৱাফম লৈবগা লোয়ননা বোসেমনসু অসিগুম্বশিং অসিসু থীদোক্তুনা স্কুলশিং অদুগী রিগোনিসিন কক্কদবনি। লোয়ননা অরানবা পাম্বৈনা অমদি মাশা য়াওদনা একজাম পাস তৌনবনি হায়দুনা ৱাচৎ–ৱানোম তৌরিবা মমা–মপাশিং অসিসু চৈরাক পীবা মতম ওইরে।

হিরম অসিদা লূপ অসিনা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মখলগী অরানবা থবকশিং মতুংদা তৌদনবা এজেন্টশিংগী মফমদা চেকশিন ৱারোল থমলক্লি। হান্নদগী এজেন্ট খরনা তোঙান–তোঙানবা পাম্বৈ শীজিন্দুনা লৈথোক্লবা হোৎনরবসু লূপ অসিনদি লৈথোক–লৈশিনগী ৱাফম য়ারোই। খুন্নাই অমগী মায়ওন লেপ্লিবা এডুকেসন সেক্টরদা লূপ অসিনা কৈদৌনুংদা ইশাগী প্রিন্সিপল কম্প্রোমাইজ তৌরোই অমদি থোরকপা খুদিংমক থেংননবা শেম শারে।

হিরম অসিগী মতাংদা ওর্নরেবল এডুকেসন মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনসু মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবিনবা লূপ অসিনা অপিল তৌরক্লি।

## গোল্ডন জুব্লি থৌরম পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ ঃ থ্রি মন্থলি নোভেল প্রদুসর সোসাইটিগী চহী ৫০ শুরকপা (গোল্ডন জুব্লি)গী থৌরম ঙসি বিটি রোদতা লৈবা ৱাপমহলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ মদরস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এম সোরোজিনি লৈমনা হায়, লমদম অমা চউখৎপা, অওনবা পুরকপদা মেডিয়াগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউবনা প্রেসশিংদা পীরিবা নীংতম্বা অসি মপুং ফানা পীগদবনি। চউখৎপগী মিংদা হেন্না মনিংতম্বা পীবনা হৌগৎলিক্লিবা নহা কয়াগী লমচৎতা মাঙশিল্লকপা, থকশি–খাশি লৈরক্তবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা থ্রি মন্থলি নোভেল প্রদুসর সোসাইটিগী চীফ এডভাইজর এলএম সনা লৈকোলগী মেনেজিং দাইরেক্টর তেলেম অরুনকুমারনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## নুপী কৈথেলগী লম–তু শেংদোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ ঃ ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল অহুমগী শক্তম কন্নবগী পান্দমদা কংলৈপাক কনবা লূপ (কেকেএল)গী মেম্বর অমসুং ভলন্টিয়ারশিংনা ঙসি নুপী কৈথেল অহুমগী লম–তু শেংদোকখ্রে।

কেকেএলগী এডভাইজর খোইরেম্থাবা মনাওবী (রিটয়ার্দ আইপিএস)না ফোঙদোরকখিবদি, মৈহৌরোলদগী ইপা–ইপুশিংনা থম্বিরম্বা লাইফম অমসুং কৈথেলশিং লূ–নান্না থম্নবা অমদি শেমগৎনবা পান্দমদা ইমা কৈথেল অহুমগী শেংদোকপগী থৌরম চথখিবনি। কৈথেলশিং তরু–তান্না থম্নবা অমদি অমোৎ–অকায় মফম চনা পৈশিন্নবা এব্যারনেস পীবা অমদি পোল্যুসন থোকহন্দনবা হোৎনবদা লূপ অসিনা অচৌবা থৌদাং মখা তনা লৌখিগনি।

ঙসি লম–তু শেংদোকখিবা অদুদা কেকেএলগী ভলন্টিয়ার ১৫০ রোম শরুক য়াখি।

লমায় ১ গী মখা

# কারাঙদা সোলর লেম্প ১০০...

থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এমপিপিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা মীয়ামগী পূক্নিং চীংশিল্লদুনা হায়খি, মীওইবা অমা ওইনা অৱা–অনা তারবা খুদোংচাদবা মীওইশিংদা মতেং পাংবা হায়বসি অশেংবা ধর্ম্মনি। সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং ফঙদনা ঙসি ফাওবা লৈরিবসি ধর্ম্ম য়াওবা সরকারগী থৌশিল নত্তে। মণিপুরিশিংবু য়াইফন্নবতা খল্লিবা এমপিপিনা মথঙগী সরকার পায়রক্লবদি খুদোংচাদ্রিবা মীওইশিংগীদমক অখন্নবা প্রোগ্রামশিং পায়খৎতুনা প্রজাশিংগী চপ–চান্নবা প্রিভিলেজ পীগনি ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী মপু ওইখিবা কারাঙ আইলেন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী এডভাইজর হাওবিজম গীতাজেন মৈতৈনা সরকারগী পূক্নিং চীংশিল্লদুনা হায়খি, লৌউ–শিংউবগী খুদোংচাবা ফঙদ্রবা ঙাফাবা খক্তনা শিনফম ওইদুনা অপীকপা ফুমশিংদা পূন্সি লেল্লিবা মীওইশিংগী খুদোংচাদবা অৱাবশিং সরকারনা য়েংশিলহল্লনিংই। চাউখৎ থৌরাংগী খুদোংচাবশিং পীহন্নিংই। চহী লিশাং শিংনা কারাঙদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা প্রজা লিশিং ৩ লোমদা সরকারনা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইরি হায়না ফেঙদোকখি।

থৌরমদুদা উপ–প্রধান, ৱার্ড মেম্বরশিং, নিশাবন্দ অমদি কারাঙ মনিং লৈকাই য়ুঠ কম্মিটিগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

# পিএলএগী ৪০শুবা কুমওনগা মরী লৈননা পীখিবা পাউজেল...

*ঙরাংগী মখা...*

য়েক্লবগী মমিৎতদি ঐখোয় অসি চপ মান্ননা অমত্তা ওইনা উরিবা অসিদা মীয়াম্না য়াওল ঈহৌদা থাংজিন্দুনা, চৈরাক–চৈথেং নংহল্লিবা অসি য়াওল্লোইশিংননি হায়দুনা য়েক্লবগী মায়কৈদা লেপ্লুবদা মখোয়না থাজবীরক্কদবা নত্তে, নোংমা নৎত্রগা নোংমদি য়াওল ঈহৌ অসিনা শরুক থুংলক্তুনা ময়াং লান্মীশিংগী তমথিবা মীওৎ–মীনৈ মরক্তগা হিং লক্কদৌরিবা ঐখোয়গী মীয়াম্না মসিবু মায়োক্নবা ইশা–ইশানা শেমজহৌবা নত্তনা ঐখোয় অসি মতু শোল্লবা ফুরূপ অমনি হায়দুনা মখোয়দা হায়জ–নোঞ্জবনা মসিদগী নাম্থোকপা ঙমগদবা নত্তে। মরম অদুনা ঐখোয়না অনৌবা খোঙহৌ অমদা মণিপুরদা ক্লাক্লা ৱাহোংগী মতু থেৎচিনবগুম শক লোৎলিবা তমথিরবা ময়াং লান্মীশিং অমদি মখোয়গী তুং ইন্দুনা লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌরিবা খুরক্কী ঈনা লাই শারিবশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নদুনা অপুনবগী ওইবা খোঙহৌ অমদা থেংনবা মতম য়ৌরে।

মরক অসিদা মণিপুর মচা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিং, মরুওইনা পুলিস কম্মান্দোদা য়াওরিবশিংনা য়াম্না কা হেনজিনবা মওংদা য়াওল্লোইশিংবু য়েক্লবা অমগুম লোয়ননবা হোৎনরিবা অমদি মীচমশিং ফাওবা লো এন্দ ওর্ডর ঙাকপগী মিংদা ফা–পুনবা তৌবতা নত্তনা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবা কয়াদা হাৎপনচিংবা তৌরিবা অসি মখা শমথরক্তনবা মীয়ামগী অকনবা খোল্লাউ অমা পীবা তঙাই ফদ্রে। নৎত্রবদি মসিনা মণিপুরগী খুন্নাইদা লোইবা খন্বা নাইদনা ঐখোয় মশেলগী অমনা–অমবু লমন খুম্নবগী থৌদৌশিংনা অনৌবা হাৎ–শুনবগী পুৱারী অমা ইরক্লগনি। মরম অদুনা ইনিদয়ানা মখোয়গী লোইলম মপু ওইখিবা বৃটিশশিংনা ইন্দিয়া মচাশিংবু মশাগী মরমদমগী নীংতম ঈহৌ নমথবদা শীজিন্নখিবা বৃটিশশিংনা ইন্দিয়া মচাশিংবু মশাগী মরমদমগী নীংতম ঈহৌ নমথবদা শীজিন্নখিবা



বৃটিশ ইন্দিয়ন আর্মিগুম ঙসিগী মণিপুর মচাশিংনা মখোয়গী মতৌ লৌদুনা য়াওল ঈহৌ থেংননবা ইন্দিয়া মণিপুরী লান্মী মায়পুনরক্লিবা অসি খুদক্তগী তোকপা চুমগনি। মসিনা মখোয়গী অথিবা মিংচৎ তুংগী মীরোলদা লৈহৌবদা নত্তনা মখোয়গী মচা–মশুশিংনা ইকায় ফিরুপ খুম্না নীংতম্বা মণিপুরগী মীয়াম মরক্তা হিং হৌগনি। মসি খঙনা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা য়াওরিবা মণিপুর মচাশিংনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপদা তুং–মাঙ য়েংনা পাঙথোক্লবা অমসুং মখোয়গী থৌদাং অদু মরমদম মণিপুরগী তুংগী মীরোলগীদমক য়াইফহৌনবা থবক্তা মায়ওন পীনবা হোৎনবনা চুমগনি।

হৌজিক্তি ঐখোয় পুম্নমক য়েক্লবা কনানো হায়বা খঙলবসু ইন্দিয়াগী খুন্নাইনুংদা মতম শাংনা লৈরকপদগী ঐখোয়গী ৱাখল মিৎয়েং খুদিংমক ইনিদয়াদা থল্লক্তুনা মখোয়গী মপান তাংদ্রবদি হিংবা ঙম্লরোইদবা অমা ওইনা উরক্লে। অমসুং ইনিদয়ানা ঙাকপী–শেনবীদ্রবদি ফুরুপ অমা ওইনা হিংবা ঙম্লরোই হায়বগী ৱাখলদা মিপাইবা পোক্লরক্তুনা মখোয়গী থৌজাল ফঙনবা হায়জ–চৎচ তৌদুনা লৈবা তারক্লি। মসিনা অমুক্কা হেন্না মণিপুরগী খুন্নাই অসি হৌগৎপা ঙমদনা লৈখা তাথরক্লবগী মরম অমা ওইহল্লক্লে। মরম অদুনা ঐখোয় পুম্নমক্কী ইরমদম ওইরিবা মণিপুরবু, নুংঙাই–য়াইফবা তংদু–লৈতাবা খুনাই অমা ওইহনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং লৈবনা, হৌজিক ইনিদয়া লৈঙাক্কা য়োমশিল্লবা লোইলমগী কুয়োম অসিদগী ৱাখলনা ওইরবসু অমুক্তং মপান থোক্লক্তুনা য়েংলবদি ঐখোয়গীসু তাইবঙপাল অমা লৈরি হায়বা উরক্কনি অমসুং মদুদা ঐখোয়গী লৌগদবা অশেংবা ইথৌদাংসু ময়েক শেংনা খঙলক্কনি। মসিদনি ঐখোয়গী লৌগদবা অশেংবা ইথৌদাংসু ময়েক শেংনা খঙলক্কনি। মসিদনি ঐখোয় য়াওল্লোইশিংনা মণিপুর অমদি ইরমদমসিগী মীয়াম্বু য়েক্লবগী মখুৎগী কন্নবা নিংতম য়াওল ঈহৌ অমা শাগৎতুনা ঐখোয়সু ঐখোয়সু মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা ইনিং তম্না কনাগীসু মখা পোন্দনা ইশাগী লৈবাকপু শেমগৎচবা ঙম্বগী ফিভম লৈজে অমসুং মদুবু পাঙথোকচনবগী হক অদু ইনিদয়া লৈঙাক্তগী মুন্দুনা লৌবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লম্বী লৈতে হায়দুনা খূৎলাই পায়বগী লাঞ্জং অমা ইথৌদাং ওইনা পাঙথোক্লিবসি।

মরম অদুনা পুম্নমক অসি খঙলবা অমদি উরবা ঐখোয়গী মীয়াম্না য়াওল ঈহৌশিংগী শরুক অমা ওইবা হায়বসি মণিপুরবু কন্নবা থৌদাং লৌবা অমা ওইগদবনি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা য়াওল ঈহৌ অসিগীদমক লেপমিন্নরসি।–মীয়ামগী নীংতম ঈহৌ অসিগীদমক লেপমিন্নরসি হায়বা ৱাফম আরপিএফকী প্রসিদেন্টনা পীরকপা পাউজেল চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

(লোইরবা)

লমায় ১ গী মখা

# নোংমৈ মাঙবগী এনআইএগী কেস অতোপ্পা কোর্টতা ট্রান্সফর তৌবিনবা হায়কোর্টতা...

নুমিৎসিদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবনি।

এনআইএনা রেজিষ্টর তৌখিবা কেসতুগী নম্বরনা আরসি–২।২০১৮।এনআইএ (গুৱাহাটি)নি। কেস অসি ইনিদয়ন পেনাল কোদকি সেক্সন ১২০(বি) অমসুং ৪০৯ অমদি অন–লোফুল এক্টিভিটি (প্রিভেন্সন)এক্টকী সেক্সন–২০গী মখাদা লৌখৎপনি।

এজেন্সি অসিনা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোপ্তুনা চত্থরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা হান্নরা ফাদুনা জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্লকখিবা অপুনবা একু্যইজ মাপলমক কোর্টকী অয়াবা লৌরগা অমুক হন্না ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা একু্যইজ ৮গী মথক্তা চার্জশিট অমা থাসিগী২৫দা স্পেসিয়েল কোর্ট , এনআইএদা সবমিট তৌরকখ্রবনি।

অদুগা সাইকুল কেন্দ্রগী এমএলএ য়ামথোং হাওকিপকী য়ুমদা জুলাই ৩০ অমসুং ৩১,২০১৮দা রেইদ চথদুনা মহাক্কী দ্রাইভর ফাগৎতুনা শেল, সনা অমদি নোংমৈ খরা রিকোভর তৌখ্রবা মতুংদা এমএলএ মশাসু মমাঙ থাগী ২৪দা ফাদুনা নুমিৎসিদগী ঙসি ফাউবদা জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্লকলিবনি।

অকোনবগী একু্যইজ অনীসিগী মথক্তগা কুকি রিভোল্যুসন্নরি অর্মি (কেআরএ)গী চেয়রমেন দেবিট হংশিংসু ফাদুনা হৌজিক জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্লক্লিবনি। মখোয় অহুমগী মথক্তদি ঙসি ফাউবদা চার্জশিট কোর্টতা পীখৎলক্ত্রিবনি।

অদুবু কেস অসিগী ফাদুনা লৈরিবা একু্যইজশিংগী মনুংদগী ৮গী মথক্তা চার্জশিট থাগৎলক্তুনা মসিগী ৱায়েল চত্থবা হৌনবা থবক পায়খৎলকপদা মণিপুরগী ওইনা এনআইএনগী স্পেসিয়েল কোর্ট ওইনা দিজিগনেট তৌরক্তুনা এজেন্সি অসিগী কেসশিংগী ৱায়েল চত্থরক্লিবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী মায়কৈদগী অকক্লবা কেস অসি অতোপ্পা ত্রায়েল কোর্ট অমদা ত্রান্সফর তৌবদা অয়াবা পীবিনবা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ওফিসিয়েল ওইনা হায়জরকপনি হায়রি।

পাউসিনা মখা তানা হায়বদা, স্পেসিয়েল কোর্ট, এনআইএগী মায়কৈদগী হায়জরক্লিবা ৱাফমসি হায়কোর্টনা ফঙবদগী মসিগী মতাংদা খন্নবা হৌরে হায়রি।

অদুবু মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি এনআইএগী দিজিগনেটেদ ত্রায়েল কোর্ট অসি সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্ট খক্তদা অয়াবা পীদুনা থম্লকপনা এজেন্সি অসিগী অতোপ্পা ত্রায়েল কোর্ট অনী শুদবদগী ত্রান্সফর তৌবগী ৱাফমসি লাইখায় তাদনা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা, এনআইএগী ত্রায়েল কোর্ট ওইনা এজেন্সি অসিগী কেসশিং পায়বা য়াবগী অয়াবসিদি মরী লৈনরিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ লোনা লেপকদবনি। মরম অসিনা মসিগী মতাংদা লো মিনিষ্ট্রি হায়বগী তঙাই ফদবা লৈরে হায়রি। মিনিষ্ট্রিসিদা হায়রগা ষ্টেটসিগী ওইনা এনআইএগী স্পেসিয়েল কোর্ট অনী শুহনগদ্রা নত্রগা অকক্লবা কেস অসিগীদমক ত্রায়েল চথনবা কোর্টসিগা থাক মান্নবা কোর্ট অমদা অহেনবা পৱার পীগদ্রা হায়বদু মিনিষ্ট্রি ওফ লোগী অয়াবা মতুং ইন্না লেপ্লগনি হায়রি।

পাউসিনা হায়বদা, স্পেসিয়েল কোর্ট, (এনআইএ)গী মায়কৈদগী কেস অসি অতোপ্পা কোর্ট অমদা ত্রান্সফর তৌবিনবা হায়জরক্লিবসিগী মরম্না নোংমৈশিং মাঙখিবগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী জেইন্ট সেক্রেটরী (দিপি)না মার্চ ৩০,২০১৮দা সার্ভিসতগী সসপেন্দ তৌদুনা থম্লক্লিবা পুলিস ওফিসরশিংগী মনুংদা য়াওরিবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী এসপি ওইরম্বা ফাওমৈ গোংলিন, আইপিএস অসি হৌজিক কোর্ট অসিগী প্রেসাইদিং ওফিসর ওইরিবী অসিগী মপুরোইবা ওইবদগী মহাক্না কেস অসি ৱায়েল চত্থবদা নুংঙাইত্রে হায়রকপদগীনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মাঙখ্রিবা নোংমৈ ৫৬ অমসুং মেগজি ৫৮ অসি সেপ্টেম্বর ১১,২০১৪দা আমর্ম কোট অসিদা থমজিন্নবা পীরকখিবা অপুনবা নোংমৈ মশীং ৫৭০গী মনুংদগীনি।

## ৱারী শান্নবগী...

ৱারী শান্নবগীদমক সিএমগী সেক্রেটরী এন জিওফ্রিনা এময়ুগী কম্ম্যুনিতিগী লুচিংবশিংদা ওফিসিয়েল ওইনা মীটিংগী নোর্টিফিকেসন পীখ্রবসু লূপ অহুমসিগী মীহুৎশিং লাক্তবদগী ৱারী শান্নখিদবনি।

অদুম ওইনমক মখোয়না ৱারী শান্নবা লাকখিদ্রবসু রেইদ চথখিবা থৌদোক্তুগী মতাংদা জ্যুদিসিয়েল ইনক্বারি তৌবা য়াওনা হৌজিক জেলদা থম্লক্লিবা ওজা অমদি মহৈরোইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকউ হায়বা ৱাফম য়াওবা দিমান্দ অহুম তৌরকখিবনি।